# ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস ২০১৮গী রুশুগী সন্দাদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌরকখিবী নাওরেম রোসিবিনা



রত্নেশ্বরি গোশ্বামী
এসিয়ন গেমস ২০১৮গী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট

(হান্নগী মখা...)

এসিয়ন গেমসকী (ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস ২০১৮) প্রিপরেসন তৌবা ওইনা ইহান হানবা ওইনা ঐখোয় ভোপালদা ইন্দিয়া কেম্প হৌরকখি। ভোপালগী কোচিং কেম্পতা ত্রেনিং তৌখিবসি পূন্না রুশু শান্নরোয় ৫০ রোমনি। থা অনী চুপ্পা ইন্দিয়াগী মমিং লৈরবা কোচশিং সার কুলদেব হন্দু (চীফ কোচ), সার রাজেস তালোর, সার রাজবীর হায়রিবা কোচ অহুম অসিনা ঐখোয়বু অকনবা ত্রেনিং পীবিরকখি। মসিগী মথংদা সেকেন্দ ফেজকী ওইনা শিলারুদা পাঙথোকখি। মরক্তা চাইনাদসু থা অমগুম্বা অদুম থাবীরকখি। চাইনাদা ত্রেনিং তৌবগী য়াম্না নুংঙাইজবা অমনা, থিওরিগা প্রেক্টিকেলগা অনীসি অদুম চৎমিন্নহল্লি। চাইনাগী কোচশিংদি অয়াম্বা মতমদা ফাইট তৌদুনা শান্নহনবসি য়াম্না তৌই। মমিং লৈবা চাইনাগী রুশু শান্নরোয়শিংগা তোইনা ফাইট তৌহনবদু ইশাদা কনফিদেন্স য়াম্না হেঙ্গৎহল্লি। শান্নমিন্নরবনিনা ইশাগী অশোনবা মফমশিংসু খঙবা ঙমহৌই। ত্রেনিং অমুক পীবা, অমুক শান্নহনবা অদুনা ইশাদা হেন্না হোৎননীংবা অমসু তত্তনা ফাওহল্লি। অদুনা চাইনাগুম্বদা ত্রেনিং তৌবসি য়াম্না নুংঙাই। দাইটকী ত্রেনিং সেদ্যুলগী মতাংদদি ইন্দিয়াদসু, অতৈ অতৈ মপান লমদসু ইমান মান্নে।

মখা তারদুনা রুশু শান্নরোয় রোশিবিনানা এসিয়ন গেমসকী মতাংদনা অসুম্না হায়, ঐগী ওইনা এসিয়ন গেমসকী মঙলান অমা শাগৎপা হৌজরক খিবসিদি কুমজা ২০১৬তগীনি। সার প্রেমনা ঐবু ফজনা লমজিং লমতাক তৌবিরকখিবদা থোইবী নঙ কন্না হোৎনৌ, এসিয়ন গেমস শোয়দনা য়াওবা ঙমগনি হায়বসি কুমজা ২০১৬তগীদি অদুম হায়দুনতা লাকখি। সার প্রেমনা ঐগী মীংসিসু থোইবী হায়না কৌবী। পিশক পিকপা অঙাং ওইনা রুশু শান্নজরকপা অদুদা ওজানসু ঐবু য়াম্না লুনা তৌবীরকখি। ওজানা ঐবু কুমজা ২০১৮গী এসিয়ন গেমস শুকশোয় শোয়দনা য়াওবা ঙমগনি হায়বীবদু অহানবদদি ঐহাক ফজবা ঙমজখিদে। অদুবু বলগেরিয়াদা কুমজা ২০১৬তা তৌখিবা ৱর্ল্ড রুশু চেম্পিয়নশিপ্তুগী ব্রোঞ্জ মেদল লৌবা ঙম্লকখিবদুদগী ঐঙোন্দা থাজবা খরা লৈরকখি। লোয়নন্না কুমজা ২০১৭তা এসিয়ন জুনিয়র চেম্পিয়নশিপ্তা (কোরিয়া) গোল্ড ফংলকখিবদুদগীদি ঐহাক শোয়দনা এসিয়ন গেমস শরুক যাবগা ইরোয়নন্না মেদল অমদি ফংবা যাই হায়বসি খনবা ঙম্লকখি।

অদুগা, ইন্দিয়াদা ওইনা তৌবা চেম্পিয়নশিপ্তা ঐগা ফাইনেলদা থেংনবসি কুমজা ২০১৭তগীদি মণিপুরগী সেনিয়র প্লেয়র ইচেশিংগা ঙাক্তা ওইরকখি। কিলোগ্রাম ৬০গী ৱেট কেটেগোরিদা শান্নরবনিনা অহানবদা ঐহাক্না ইচে বিদ্যাপতিগা শান্নে। ফাইনেলদনা ইচে অনুপমা (এস এস বিদা থবক তৌখ্রবা) গা থেংনৈ। ইচেশিংগা ফাইনেল শান্নবদু ঐঙোন্দসু অহানবদদি খৌতক চাই। ইহে হৈনদবা ফাওই। মপান ষ্টেটকী প্লেয়রগা শান্নবা ওইরবদি য়াম্না ফ্রী ওইনা শান্নগদবদু ঐঙোন্দসু ইনুং নুংঙাইতে। অদুবু টার্গেট অমমম থল্লগা শান্নবনিনা কোন্নবুদি হৈনরকখি।

ইন্দিয়াগী কোচিং কেম্প তৌবা মওংসিসু ত্রেনিং মথং মথং সুম তৌরগা প্লেয়রশিংসি ফাইট তৌন-তৌনহল্লগা ফেজ বাই ফেজ খথহৌখি। মরক্তুদা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপ, রুশু ষ্টারস ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ, রুশু ষ্টারস ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ্তুসু শরুক যাহল্লকখি। ঐহাকসু কুমজা ২০১৮গী ফেব্রুৱারী ২০দগীনা ২৪ ফাওবা রসিয়াগী মোস্কোদা পাঙথোকখিবা মোস্কো রুশু ষ্টারস ইন্টরনেসনল চেম্পিয়নশিপ্তুসু ঐহাক কিলোগ্রাম ৬০গী গর্লস সন্দাদা ইন্দিয়া টিমদা য়াওদুনা শান্নজরকখি। মদুদসু ঐহাক গোল্ড মেদল লৌবা ঙমজরকখি। মোস্কোদা শান্নজরুবা অদুদা গোল্ড মেদল লৌবা ঙম্লকখিবদু ঐঙোন্দসু য়াম্না নুংঙাইজখি। মতমদুদা ঐনা কন্না খঞ্জখিবদি ঐহাক ইন্দোনেসিয়া এসিয়ন গেমস ২০১৮দসু সনাগী মেদল লৌবা ঙম্নবা কন্না হোৎনগে হায়বসিনি। অদুবু লাইবক থীবদি ঐহাক হন্দক্তা লোইশিনখিবা এসিয়ন গেমসতুদগী ব্রোঞ্জ ওইনা ফংলকখি। তশেংনা হায়জরগদি মদু ঐগী অপেনবদি নত্তে। ঐগী ওইনদি সনাগী মেদল অমা লৌরক্কে হায়না কন্না নীংজখিবনি।

-মথং-মথং

## মণিপুরবু নগালেন্দনা ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীখ্রে

নদিয়াদ, সেপ্তেম্বর ৩০ (এজেন্সী) ঃ গুজরাটতা লৈবা নদিয়াদ সিটিদা পাঙথোক্লিবা বিজয় হজারে ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৮গী প্লেট গ্রুপ্তা মণিপুরবু নগালেন্দদা ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীখ্রে।

মেচ অদুগী টোস নগালেন্দনা ঙমদুনা বোলিং হান্না তৌখি। মণিপুরগী বেটচমেনশিং নগালেন্দগী বোলরশিংগী এটেক্তা ফজবা স্কোর অমত্তা তৌবা ঙমখিদে। ইন্নিংস অদুগী ওভর ৪৩গা ৩শুবা বোলদা মণিপুরগী বেটচমেন ১০মক আউট ওইরগা রন ১৪৪খক লৌখি। মণিপুরগী মায়কৈদগী য়াস্পাল সিংহনা বোল ৫৬তা ফোর ৫ য়ৈদুনা পূন্না রন ৪১ লৌরমখি। নাকল অমরোমদা মণিপুরগী কাঙাবম প্রিয়োজিৎনা রন ৩৫ লৌখিবা অদু শিংথাবা য়াখি।

টিম অদুগী অতোপ্পা বেটচমেন চিংঙাবম বোনিনা রন ২৮ লৌরমখিবা অমদি টিম কেপ্তেন কব্রাবম হোমেন্দ্রো মৈতৈনা রন ১২ লৌখিবা অদুনা মরম ওইরা টিম অদুগী ইন্নিংস অদু রন ১৪৪দা লোয়শিনখি। নগালেন্দগী মায়কৈদগী বোলর মরীনা মণিপুরগী বেটচমেন ২/২ আউট তাহনবা ঙমখি।

নগালেন্দনা মেচ অদু মায়পাক্লবা রন ১৪৫কী টার্গেট অদু ওভর ৩৪গা বোল অনীশুরকপদা ৱিকেট অমখক আউট ওইরগা রন ১৪৭ লৌখিদুনা মেচ অদু নগালেন্দনা মণিপুরবু ৱিকেট ৯দা মায়থীবা পীখি।

নগালেন্দগী মায়কৈদগী এন লোচাব অমসুং এস রুপেরোনা ইন্নিংস হৌরকপদা য়াম্না ফজনা শান্নখি। স্কোর বোর্দতা রন ৬১ য়ৌরকপদা লোচাব মশাগী রন ৪১শুরকপদা আউট ওইখি। অদুবু নৌনা শান্নবা চঙলকখিবা কে বি পৱন অমসুং রুপেরোনা ইন্নিংস অদুদা মখাতানা আউট ওইহন্দনা মায়পাকপগী লম্বেল অদু ইন্নিংসকী ওভর ৩৪গা অনীশুবা বোলদা রন ১৪৭ য়ৌদুনা মেচ অদু নগালেন্দনা ৱিকেট ৯দা থোইখি। রুপেরো আউট ওইদনা রন ৫২ অদুগা কে বি পৱন রন ৫০ লৌদুনা লৈখি। থা অসিগী ৪দা মণিপুরগী টিম্না বিহারগা লম্বা তৌনগনি অদুগা ওক্টোবর ৬তনা মেঘালায়াগী অরোয়বা লীগ

## চৌ টিয়ন চেন অমসুং নোজোমি ওকুহারানা কোরিয়ন ওপন বেদমিন্টনগী নুপা অমসুং নুপীগী টাইটল ফংখ্রে

সিওল, সেপ্তেম্বর ৩০ (এজেন্সী) ঃ কোরিয়াগী কোনুং সিওলদা পাঙথোকপা কোরিয়া ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টকী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল চাইনিজ টাইপৈগী চৌ টিয়ন চেননা লৌখ্রে। অদুগা নুপীগী সিঙ্গলসকী টাইটল অদুনা জপানগী নোজোমি ওকুহারান ফংখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা টুর্নামেন্ট অদুদা ৪শুবা সিদেদ ওইখিবা চৌ টিয়ন চেননা ৮শুবা সিদেদ শান্নরোয় ইন্দোনেসিয়াগী টোমি সুগিয়ার্টোগা লম্বা তৌনখি। নীংশিংবা য়াবদি চৌ টিয়ন চেননা সেমীফাইনেলদা জপানগী কেন্তা নিসিমোতাবু মায়থীবা পীরম্বনি। অদুগা সুগিয়ার্টোনা অতোপ্পা ইন্দোনেসিয়াগী জোনাথন খৃষ্টিবু থোইরমখি। ফাইনেল মেচ অদু হৌবদগী হৌনা চৌ টিয়ন চেননা খুদুম চ দুনা ২১-১৩, ২১-১৬তা মায়থীবা পীদুনা টাইটল লৌখি।

নুপীগী সিঙ্গলস লম্বাদা টুর্নামেন্ট অসিগী ৩শুবা সিদেদ শান্নরোয় জপানগী নোজোমি ওকুহারানা ফাইনেল য়ৌরকপগী লম্বেলদা অতোপ্পা জপানগী শান্নরোয় নম্বর ৱান সিদেদ অকানে য়মাগুচিবু থোইরমখি। অদুগী ঙসি মহাক্না ফাইনেলদা লম্বা তৌখিবী য়ূ এস এগী ঝাং বৈৱেননা সাউথ কোরিয়াগী সুং জি হ্যুনবু থোইরমখি। ঙসি ফাইনেদা শান্নরোয় অনীম্মক য়াম্না লম্বা মান্নখি। অহানবা গেম অদু নোজোমিনা ২১-১০দা থোইখি। অদুবু অনীশুবা গেম অদুদা বৈৱেননা ২১-১৭তা থোইদুনা দিসাইদিং শান্নরকপদা ওকুহারানা ২১-১৬তা থোইদুনা নুপীগী টাইটল লৌখিবনি।

## ইন্দিয়াগী দিপিকা কুমারি আর্চরি ৱর্ল্ড কপকী ব্রোঞ্জ ফংখ্রে

সামসুন, সেপ্তেম্বর ৩০ (এজেন্সী) ঃ টর্কিগী সিটি সামসুন্দা পাঙথোকপা আর্চরি ৱর্ল্ড কপ ফাইনেলসতা ইন্দিয়াগী আর্চর দিপিকা কুমারিনা ঙসি ব্রোঞ্জ মেদল ফংবা ঙমখ্রে।

ব্রোঞ্জ মেদলগী শুটআউট অদুদা দিপিকা কুমারি অমসুং লিজা উনরুগা লম্বা তৌনখি। মখোয় অনীনা শুটআউট অদুগী মমাঙদা পোইন্ট ৫/৫ ফংনদুনা লৈরকখিবনি। কুমারি অমসুং উনরুনা শুটআউট অদুদা পোইন্ট ৯/৯গী সোট কাপ্পখি। অদুবু দিপকিা কুমারিগী তেনজৈ অদুনা সেন্তর নকশিনবা হেনখিবদগী ব্রোঞ্জ মেদল অদু ফংখিবনি।

দিপিকা কুমারিনা ঙসি ফংখিবা ব্রোঞ্জ মেদল অদু মহাক্কী করিয়রগী ওইনা ৱর্ল্ড কপ্তা ফংবা মেদল মঙারকশুবনি। ইন্দিয়াগী টিম অদুনা ৱর্ল্ড কপ অদুদা সিলভর মেদল অমা য়াওরগা ব্রোঞ্জ অনী ফংলগা লোইশিনখি।

ইন্দিয়াগী নুপাগী আর্চর অভিসেক বর্মনা ঙরাং নুপাগী কম্পাউন্দ ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা ফংবা ঙমখ্রবনি। হৌজিক হৌজিক ৱর্ল্ড কপ অদুদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী আর্চরি টিম অসি কোচ অমত্তা য়াওদনা শরুক য়ারিবনি। কুমারিনা অহানবা রাউন্দদা চাইনিজ টাইপৈগী লৈ চেনবু মায়থীবা পীরবা মতুং সেমী ফাইনেলদা টর্কিগী য়াসমিন অনাগোসকী মখূৎতা মায়থীহৌরবা ব্রোঞ্জগীদমক লম্বা তৌনখিবনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৮০

১। ষ্টোন দ্রেগোন টাউন করম্বা মশান্নগীদমক মমিং চৎলি ?
২। পেলে অমসুং বেকেনবরনা মীংচৎ ওইবা ফুটবোল টিম অমনা চাইনাগী ফুটবোল টিমগা করম্বা চহীদা মেচ শান্নখিবগে?
৩। অহানবা ওল অসাম ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বোল্লিবোল টুর্নামেন্টতা মণিপুরসু শরুক য়াখি। টুর্নামেন্ট অদু করম্বা মফমদা পাঙথোকখি।
৪। য়ুনাইটেদ নেসন্সনা ঐঙোন্দা ‘এ সিটিজন ওফ দি ৱর্ল্ড’ হায়বা সার্টিফিকেট অমা পীখি। ঐ কনানো?
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো?



মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ১৫, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক্কী পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা hueiyensportsquiz@gmail.com দা মেইল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়নন্না খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৯গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবিরকখিবশিংদি

১) আনন্দকুমার খুঞ্জাময়ুম, নোংমৈবুং সেরাম লৈরক (৫)
২) *এম বুধ, চীংঙামখা* (৫)

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ- ৭৯গী ৱিন্নর

*এম বুধ, চীংঙামখা* (দ্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবা)

### হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ ৭৯গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম

ওক্টোবর ৭, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস ক্যুইজ - ৭৯গী পাউখুম

১। চাইনানা হৌদোকখিবা মশান্না অমা জপান্না য়াম্না পাম্বা মশান্না অমা ওইখি। মশান্না অসি চাইনাদা কয়া থৌওইবিদে। কুমজা ১৯৬০দা জপানগী টিম অমা চাইনাদা লাক্কুনা মশান্না অসি ৩০রক শিংনখিবদা জপান্না ২৮ লক থোইখি। মশান্না অসিগী ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপ কুমজা ১৯৭৯দা অহানবা ওইনা পাঙথোকখি। মশান্না অসিগী মমিং পীয়ু। :- WEIQI or GO
২। মহাক ওলেম্পিক্কী হিয়াং তান্নবদা সনাগী মেদল অনী ফংখি। অমেরিকাগী প্রসিদেন্টকী ভোট লেপ্পদা কাখিদে। মহাক মালেম শিনবা থুংনা ফাওবা দাক্তর অমনি। মহাক কনানো? :- BENJAMIN SPOCK
৩। কুমজা ১৯৪৭তা মণিপুর ওলেম্পিক এসোসিএসন শেমখি। চহী অদুমক্তদা ষ্টেটকী থাক্তা শান্নবগী লূপ অমসু শেমখি। শান্নবগী লূপ অদুগী মমিং পীয়ু। :- MANIPUR SPORTS ASSOCIATION
৪। ওলেম্পিক্কী নূং লংবদা শরুক য়াখিবা নিপা অমনা মহাক্কী নূং অদু লংবা মতমদা জজনা দিসক্কালিফাই অনীরক পীখি। মরমদি মহাক্না নূং লংবা মতমদা মখজাই শোক্না নূং অদু থমগদবনি নৎত্রগা খজাই ময়াদা য়াম্না নক্না লেংজুমদা থল্লগা লংগদবনি। মহাকপু দিসক্কালিফাই ওইহনখিবদি মহাক্না চৎন-কাঙলোন অদু ঙাকখিদবননি। নূং অদু অনীরক হুনবদা দিসক্কালিফাই ওইখিবদগী মহাক শাউদুনা অহুমশুবা নূং অদু লংখিদে, মহাক কনানো? :- NICOLAOS GEORGANTAS
৫। উৎলিবা লাই অসি কনানো? :- ANKITA RAINA

## কাং টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচএন এস) ঃ নম্বোল বমদিয়ার কাং এসোসিএসন বমদিয়ারনা শীন্দুনা অমদি মণিপুর কাং এসোসিএসন্না স্পোন্সর তৌদুনা থা অসিগী ২৪দগী হৌদুনা চীংথাং লাইরেম্বী কাংশঙদা চত্থরিবা ১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ত্রোফি ২০১৮ (চহী ৬০ মথক) গী ঙসি শান্নখিবা মেচতা চীংথাং লাইরেম্বী-এ মায় পাকখ্রে। কাংখূৎ ১১না শরুক য়াদুনা কাঙলূপ ৪ থোক্না খাইদোক্লুনা বমদিয়ারদা লৈবা চীংথাং লাইরেম্বী কাংশঙদা চত্থরিবা ১৩শুবা চীফ মিনিষ্টর ত্রোফি ২০১৮গী ৪শুবা মেচ ওইনা চীংথাং লাইরেম্বী-এ অমসুং শিংজমৈ কাংখূৎ শান্নখিবা মেচ অদু চীংথাং লাইরেম্বী-এনা পাঞ্জল ১২-১১দা মায় পাকখি।

## ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ পাঙথোক্লগনি

ইম্ফাল, সেপ্টেম্বর ৩০ (ঐচ এন এস) ঃ জেলিয়াংরোং ফুটবোল এসোসিএসন (জেদ এফ এ) না শীন্দুনা থাংমৈবন্দগী থাও স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা নবেম্বর ৬তগী ১২শুবা জাদোনাং মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৮ পাঙথোক্লগনি।

টুর্নামেন্ট অসি অসাম, মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদা লৈবা জেমে, লিয়াংমাই অমসুং রোংমৈ/কবুই (ইনপুই) কম্যুনিতিগী মীওইশিংনা শরুক য়াবা য়াগনি। টুর্নামেন্ট অসিগী ৱিন্নরদা ত্রোফিগা লোয়ননা শেলগী মনা লুপা লাক্ষ ১, রন্নর্স-অপ টিমদা ত্রোফি য়াওনা শেলগী মনা লুপা লিশীং ৫০, অহুমশুবা পোজিসন্দা ত্রোফি য়াওনা লুপা লিশীং ২৫, বেষ্ট দিসিপ্লিন টিম, বেষ্ট পেরেদ টিম, বেষ্ট প্লেয়র, বেষ্ট কিপর অমসুং হায়েষ্ট স্কোররদা শেলগী মনা লুপা লিশীং ১০ অমসুং লুপা লিশীং ৫ পীগনি। জেলিয়াংরোং ভিলেজ য়ুথ ক্লবনা টুর্নামেন্ট অসিদা টিম অমদগী হেন্না শরুক য়াবা য়ারোই। টুর্নামেন্ট অসিগী এন্ত্রি ফোর্ম ওক্টোবর ১দগী ২০ ফাওবগী মনুংদা কাখুলোংদা লৈবা হেদ ওফিস, জেদ এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি, মেজোর খুলদা লৈবা দি আই জি আই এক্স সাইবরদগী অয়ূক পুং ১০.৩০ দগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবগী মনুংদা নোংমাইজিং নত্তনা ফংগনি হায়না জেদ এফ এগী জেনরেল সেক্রেটরি রোমিও পালমৈনা থাদোরকপা চেরোল অমদা খঙহল্লক্লি।




ইন্দিয়ন কষ্টমস

অশেংবা মীরৈবাক্কী লমকোয়বশিং তরাম্না ওক্লি অমসুং কোম্না কান্নহনবা ফংহনবগী থাজবা পীরি।

ঐখোয়না কোম্না কান্নবা পীবগী থাজবা থল্লি - ৯৯.৬%গী মীরৈবাক্কী পেসেঞ্জরশিংনা ‘গ্রিন চেনেল’ লান্থোক্তুনা অয়েৎপা লৈতনা চৎপা য়াগনি।

দেল্লি, মুম্বাই, কোলকটা, চেন্নাই, গোৱা, বেঙ্গালুরু, কোচিন, হায়দরবাদ, অহমেদবাদ, পুনে, কলিকট অমসুং ত্রিবান্দম এয়রপোর্টশিংদা লৈরিবা কষ্টমশিং অসি ফেসবুক্তা শেংদোকপগী মতাং/পেন্দবা ফোঙদোকপা/ফিদবেক পীবগী খুদোংচাবা পীরি।

অশেংবা পেসেঞ্জরশিংদা কান্নবা ফংহল্লিঙৈদা, ঐখোয়না লোনা য়াদবা থবক থৌরমশিং ময়েক শেংনা থিংনবগী থবক পায়খৎনবা চেকশিন্না হোৎনরি।

চেকশিন্না লৈবিয়ু :

কষ্টমস ওফিসরশিংনি হায়না শাশিন্নবা মীওইশিংদগী চেকশিনবীয়ু। খুদোংচাদবা অমা লাকপা মতমদা মথৌ তৌরিবা এসিষ্টেন্ট/দেপ্যুটি কম্মিস্নরগা উনবীয়ু।

ইন্দিয়ন কষ্টমসনা মীয়ামদা অরানবা ফোন কোলশিং নৎত্রগা ঈ-মেলগী খূত্থাংদা কষ্টমস দ্যুটিগী শেনফম পীননবা কৈদৌঙৈদা কন্টেক্ট তৌদে।

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টমস নৎত্রগা দি মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সনা ইম্পোর্ট/এক্সপোর্টকী কন্সাইনমেন্টশিং সর্টিফাই তৌনবগী, দ্যুটিগী শেনফম পীননবনচিংবা শাশিন্নবা ওফিসলশিংনা দোক্যুমেন্ট নৎত্রগা সার্টিফিকেটশিংদগী মীয়ামদা চেকশিন্নবা পাউতাক পীরি।

সেন্ত্রেল বোর্দ ওফ ইন্দাইরেক্ট টেক্সেস এন্দ কষ্টমস
www.cbic.gov.in
davp 15502/13/0043/1819